# ২৮শুবা গভর্নরস কপ ইনভাইটেসন অমসুং ১৭শুবা ব্রুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব এ অমদি চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২৫ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিল্লগা টিম ১৪না শরুক য়ারগা নোক আউৎ বেসিসতা মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ২৮শুবা গভর্নরস কপ ইনভাইতেসন অমসুং ১৭শুবা গভর্নরস কপ ব্রুমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসিগী অহানবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব–এ না ইম্ফাল রাইদিং ক্লববু পাঞ্জল ৭–২ অমদি চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লববু পাঞ্জল ৮–৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ শান্নখিবদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব–এনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লববু পাঞ্জল ৭–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব–এগী পাঞ্জল শিংদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল২, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৩ অমদি মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ চনখিবনি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচতা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লববু পাঞ্জল ৮–৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা চিঙ্খৈহুনবা পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৩, মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অমদি মঙাশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১ চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা খুরাই পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ৩, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অমদি মঙাশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ চনখিবনি।

# য়াইফ থৌনি পাঙথোকপগা লোয়ননা কিট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২৫ঃ



টিদ্দিম রোদ ভেটরান স্পোর্টস এসোসিয়েসন মালোমগী ভেটরান প্লেয়রশিংগী য়াইফ থৌনি পাঙথোকপগা লোয়ননা প্লেয়রশিংগী কিট য়েন্থোকখ্রে। অনীশুবা সঙাই ত্রোফি ২০১৮ গী শরুক য়াগদবা টিদ্দিম রোদ ভেটরান স্পোর্টর্স এসোসিয়েসনগী শান্নগদবা প্লেয়রশিংগী স্পোর্টস কিটশিং অদু লৈখ্রিদবা এন জি সমু সিংহগী মীংদা শ্রী এন জি মেঘাচন্দ্র সিংহ, এক্স প্রধান, মালোম গ্রাম পাঞ্চায়টনা কৎচবনি। ওফিসিয়েলগী সার্টশিংনা শ্রী টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ কন্টেক্টরনা লোয়ননা সোকশিংনা ৱাই বোবি সিংহ কন্টেক্টরনা প্রজেন্ট তৌবনি।

ঙসিগী য়াইফ থৌনিগী থৌরম অসিদা চিফ গেষ্ট ওইনা শ্রী কে নিলাবির সিংহ, স্পিসিয়েল কন্টেক্টর, জিওঐচ না কে হেনা সিংহ লোয়ননা প্রসিদেন্টনা এন গোবিন সিংহ, সেক্রেটরী ত্রান্সানা দাইসগী লৈতেং ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। অনীশুবা সঙাই ত্রোফি অসিদা এল তোম্বীসনা সিংহনা কেপ্টেন লোয়ননা সি ঐচ বিমোল সিংহনা কিপর ওইনা মহাক্কী প্লেয়রশিংগা লোয়ননা টিআরভিএসএ, মালোমগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নগনি।

# ২৪শুবা নেসনেল থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং মমিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২৫ঃ

থা অসিগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা হারিয়ানাদা লৈবা ডাঃ মঙ্গল সেন মাল্টি পর্পস জিম্নাসিয়ম হোল স্পোর্টস কমপ্লেক্স, মহারসি দয়ানন্দ য়ুনিভর্সিটি, রোহতকতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪ শুবা নেসনেল থাং–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলগী মমিং লাউথোকখ্রে।

সেনিয়র বোইজ ফুনবা অমা (চহি ১৮ মথক) কী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা নুপামচাশিং অদুদি কেজি ৫০ কেতেগোরিদা নাওরেমথোং য়ুনিটকী কে ঐচ বিক্রমজিৎ মৈতৈ, কেজি ৫৪ গীদা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোম য়ুনিটকী ও নেতজিৎ সিংহ, কেজি ৫৮ গীদা সোইবম লৈকায় য়ুনিটতগী এম গোপেন, কেজি ৬২ গীদা সোইবম লৈকায় য়ুনিটতগী টি ঐচ সিতলজিৎ মৈতৈ, কেজি ৬৬ গীদা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোম য়ুনিটতগী ৱাই রাকেস সিংহ, কেজি ৭০ গীদা পহুলাসি ময়াইকোইবী য়ুনিটতগী দব্লিউ দুহেস সিংহ, কেজি ৭৫ তা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোম য়ুনিটতগী ৱাই খাগেম্বা সিংহ, কেজি ৮০ গীদা ঐচএনটিএ হিয়াংথাং য়ুনিটতগী এস অমরজিৎ সিংহ, কেজি ৮০ প্লসকীদা ঐচএনটিএ হিয়াংথাং য়ুনিটতগী এল হেরোজিৎ সিংহ নি।

সেনিয়র বোইজ ফুনবা অনীশুবা (চহি ১৮ মথক) কী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা নুপমাচশিংদি কেজি ৪৬ গীদা কেএমটিএ পাল্লেল য়ুনিটতগী কে লেম্বা সিংহ, কেজি ৫০ গীদা ঐচএলটিএ ৱাঙ্গু য়ুনিটতগী এল নোংপোকঙাম্বা মৈতৈ, কেজি ৫৪ গীদা এ বন্তি সিংহ, কেজি ৫৮কীদা পহুলাসি, ময়াইকোইবী য়ুনিটতগী এস সেলেস, কেজি ৬২ গীদা কেএমটিএ ৱাবগাই য়ুনিটতগী তোন্দোনবা, কেজি ৬৬ গীদা পহুলাসি ময়াইকোইবী য়ুনিটতগী এস সঙ্গিৎ সিংহ, কেজি ৭০ গীদা পহুলাসি য়ুনিটতগী য়ুম্নাম জয়চন্দ্র সিংহ, কেজি ৭৫ গীদা সোইবম লৈকায় য়ুনিটতগী টি ঐচ সঞ্জয় মৈতৈ, কেজি ৮০ গীদা ঐচএলটিএ শিংজৈম য়ুনিটতগী আর কে মোমোসানা অমদি কেজি ৮০ প্লসকীদা কেএমটিএ ৱাবাগাই য়ুনিটতগী কে বিকাস শর্ম্মানি।

সেনিয় গার্লস ফুনবা অমা (চহি ১৮ মথক) কী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা নুপীমচা শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৪৪ গীদা ককচিং খুনৌ য়ুনিটতগী এ রোনিবালা চনু, কেজি ৪৮ গীদা ঐচএলটিএ শিংজমৈ য়ুনিটতগী এল রিনাবাই চনু, কেজি ৫২গীদা সাই থৌবাল য়ুনিটতগী নিনি ৱাইখোম, কেজি ৫৬ কীদা পহুলাসি ময়াইকোইবী য়ুনিটতগী এন তোম্বী দেবী, কেজি ৬০ গীদা এলটিএ খুরাই য়ুনিটতগী চাওবা থোকচোম, কেজি ৬৪ গীদা পহুলাসি ময়াইকোইবী য়ুনিটতগী সুরমিনা দেবী, কেজি ৬৮গীদা ঐচএলটিএ য়ুম্না হুইদ্রোম য়ুনিটতগী ঐচ অবেসনা মঙাং অমদি কেজি ৭২ গীদা য়ুনিট অসিমক্কী ঐচ রোমা দেবীনি।

সেনিয়র গার্লস ফুনবা অনীশুবা (চহি ১৮ মথক) কী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা নুপীমচা শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৪৪ গীদা ঐচএলটিএ, শিংজমৈ য়ুনিটতগী এ অঞ্জনা চনু, কেজি ৪৮ কীদা পহুলাসি ময়াইকোইবী য়ুনিটতগী টি ঐচ দয়া লক্ষমি, কেজি ৫২ গীদা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোম য়ুনিটতগী এস সনাতোম্বী দেবী, কেজি ৫৬ গীদা য়ুনিট অসিমক্কী পি চাওবা দেবী, কেজি ৬০ গীদা ময়াং ইম্ফাল য়ুনিটতগী কে অনুপামা দেবী, কেজি ৬৪ গীদা ঐচএলটিএ য়ুম্নাম হুইদ্রোম য়ুনিটতগী ঐচ সুনদালা দেবী, কেজি ৬৮ গীদা য়ুনিট অসিমক্কী ঐচ কবিতা চনু, কেজি ৭২ গীদা য়ুনিট অসিমক্কী এম সঙ্গিতা দেবীনি।

জুনিয়র বোইজ ফুনবা অমা (চহি ১৮ মখা) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি এ দিপু, বিয়াস নিংথৌজা, ৱাই দিপাক সিংহ, এ লককি সিংহ, থোঙাম রাজে সিংহ, দব্লিউ থৌনাওজম, টি ঐচ মালেঙাম্বা, অনন্দ নিংথৌজম, ঐচ লঙাম্বা মঙাঙ, টি ঐছ অথোই মৈতৈ নি।

জুনিয়র বোইজ ফুনবা অনীশুবা (চহি ১৮ মখা) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংদি তেলহৈবা অসেম, হিল্লর ঙাঙোম, লঙোম্বা ওইনাম, এন চেতন মৈতৈ, ঐচ ঙাম্থোইবা, এস বিকেন্দ্রো মঙাঙ, কে কিষন, ওইনাম অমরজিৎ সিংহ, এস ঐচ শগৈঙাম্বা মৈতৈ, দিজেন শগোলশেম নি।

জুনিয়র গার্লস ফুনবা অমা (চহি ১৮) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংদি ঐচ অলি চনু, ৱাই দয়ারানি দেবী, এল সোফিয়া চনু, পিয়াঙ্কা নোংথোম্বম, এল পুনিলকুমারি দেবী নি।

জুনিয়র গার্লস ফুনবা অনীশুবা (চহি ১৮) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংদি এম জিবানলাতা দেবী, লাই পিনকি দেবী, এস মালেঙম্বী চনু, এম মেলোদি দেবী, ফিলেম শর্মিলা দেবী নি।

সব–জুনিয়র বোইজ ফুনবা অমা (চহি ১৪ মখা) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংদি পি ঐচ ওক্সপোট শর্ম্ম, এস মালেমঙাম্বা মৈতৈ, টি ঐচ শ্রীনিভাস সিংহ, এল বোয়নাও, এস ঐচ রোসলেন্দ সিংহ, এল নোঙাম্বা মৈতৈ, রিমেক্স খুরাইজম, কে ঙাম্থোইবা সিংহ, এম অর্বিন মৈতৈ, ঐচ সেপ্পুরি সিংহ নি।

সব–জুনিয়র বোইজ ফুনবা অনীশবা (চহি ১৪ ) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংদি কেএসঐচ গিটচন্দ্র, ভিক্টর রাজ, ঐচ লনচেনবা মঙাঙ, আই বোরিস শর্ম্মা, মনোজ থোকচোম, লেন্দরসন লৈমাপোকপম, এম দিজেন সিংহ, এ জিম্মী সিংহ, রোহিট চোংথাম অমদি টি ঐচ সুরজি সিংহ নি।

সব–জুনিয়র গার্ল ফুনবা অমা (চহি ১৪ মখা) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংদি পি ঐচ গিলিভা দেবী, এল অনি দেবী, টি ঐচ সুপ্রিয়া চনু, টি টিনা দেবী, ঐচ লংলেনস্না চনু, ঐচ সিল্লিভিয়া দেবী, লুক্রম মলেমথোইবী চনু, তনুজা থৌনাওজম, টি ঐচ প্রিয়াঙ্কা চনু অমদি টি ঐচ পিয়াই চনুনি।

সব–জুনিয়র গার্লস ফুনবা অনীশুবা (চহি ১৪ মখা) গী ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংদি লঙাম্বী হুইদ্রোম, এন বিদ্যালক্ষমি দেবী, এন দাইসি দেবী, সি ঐচ রিয়া চনু, টি রোসিতা দেবী, পুইনবাটি অঙোম, কে ভগেশ্বরি দেবী অমদি ইঙানস্না দেবী নি।

শরুক য়াগদৌরিবা ওফিসিয়েলশিং অদুদি থৌনাওজম প্রিয়োকুমার সিংহ (টিম মেনেজর), হৈক্রুজম চা বাবু (এসিষ্টেন্ট টিম মেনেজর), ঐচ কিরনকুমার সিংহ (টিম কোচ) অমদি এসঐচ শ্যামান্দ সিংহ (এসিষ্টেন্ট টিম কোচ)নি।



*এ এফ সি এসিয়ান কপ ক্বালিফাইয়রদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়া নেসনেল ফুটবোল টিম ক্রাইগিস রিপব্লিক্তা থুংখিবা*

# ১৫শুবা চহি ১৫গী মখাগী সটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮

ইম্ফাল , মার্চ ২৫ঃ



কংলৈ চেছ একাদেমীনা শীন্দুনা একাদেমীগী শঙলেন্দা চখরকখিবা ১৫শুবা চহি ১৫গী মখাগী সটরদে এন্দ সন্দে রেপিদ চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি লোইশিনখ্রে।।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল রাউন্দা গুরু অরিবম অরোসমিট, জলেস থৌদাম, ক্ষেত্রিময়ুম এমসন, নুংশিথোই ঙাইরাংবম অমদি মাইবম য়োইহেনবা খুমননা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা গুরু অরিবম অরোসমিট শর্ম্মানা অহানবা পোজিসন, ক্ষেত্রিময়ুম এমসননা অনীশুবা পোজিসন, জলেস থৌদামনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# আই সি সি ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফয়র ২০১৮ অফঘানিষ্টাননা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ দা মায়থিবা পীখ্রে

হরারে, মার্চ,২৫ঃ





আই সি সি ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফয়র ২০১৮ গী ঙসি হরারেগী হরারে স্পোর্টস ক্লবতা ৱেষ্ট ইন্দিজ অমদি অফঘানিষ্টান টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা অফঘানিষ্টাননা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী তোচ ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বেট্টিং খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা ওভর ৪৬.৫ তা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২০৪ লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী রনশিং অদু– খৃষ্ট গাইলনা বোল ১৮ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ১০, ইভিন লেৱিসনা বোল ৩৬ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ২৭, সাই হোপ (ৱিকেট কিপর) না বোল ৩৩ দা সিক্স ১ য়ৈরগা রন ২৩, মর্লোন সমুয়েলনা বোল ২৬ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ১৭, সিমরোন হেটমিয়রনা বোল ৫১ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৩৮, রোভমেন পোৱেলনা বোল ৭৫ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ৪৪, কার্লোসনা বোল ১০ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১ য়ৈরগা রন ১০, অলি নার্সনা বোল ২৯ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৬ লৌখি। মেটচ অসিদা কিমো পাউল, কেমর রোস অমদি জেসন হোল্ডর রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা অফঘানিষ্টানগী বোলিং দাউলাটনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৬, মুজিবনা ওভর ৯.৫ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৪৩, গুলবদিন নাইবনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ২৮, মোহমদ নাবিনা ওভর ৯ লংবদা রন ৩৭, সরাফুদ্দিননা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৬ অমদি রসিব খাননা ওভর ৯ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ৪২ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা অফঘানিষ্টাননা ওভর ৪০.৪ দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ২০৬ লৌদুনা অফঘানিষ্টাননা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখিবনি।

অফঘানিষ্টানগী রনশিং অদু মোহমদ সহজদ (ৱিকেট কিপর) না বোল ৯৩ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ১১ য়ৈরগা রন ৮৪, গুলবদিন নাইবনা বোল ২৮ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৪, রহমত সাহনা বোল ৭৮ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫১, সেনৱারিনা বোল ৩৩ দা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২০ অমদি মোহমদ নাবিনা বোল ১২দা সিক্স ৩ য়ৈরগা রন ২৭ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোলিং তৌখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লর কমর রোসনা ওভর ৫ লংবদা রন ২৪, জেসন হোল্ডর (কেপ্টেন) না ওভর ৬ দা রন ৪৫, কর্লোসনা ওভর ৬ লংবদা রন ৩৭, মিকো পাউলনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ১ লৌরগা রন ২৯, এসলি নর্সনা ওভর ১০ লংবদা রন ৩১ অমদি ক্রিস গাইলনা ওভর ৫.৪ লংবদা ৱিকেট ২ লৌরগা রন ৩৮ পীখি।

**POINTS TABLE**

| Group A | P | W | L | Pts |
|---|---|---|---|---|
| Windies | 4 | 4 | 0 | 8 |
| Ireland | 4 | 3 | 1 | 6 |
| United Arab Emirates | 4 | 2 | 2 | 4 |
| Netherlands | 4 | 1 | 3 | 2 |
| Papua New Guinea | 4 | 0 | 4 | 0 |

| Group B | P | W | L | Pts |
|---|---|---|---|---|
| Zimbabwe | 4 | 3 | 0 | 7 |
| Scotland | 4 | 3 | 0 | 7 |
| Afghanistan | 4 | 1 | 3 | 2 |
| Nepal | 4 | 1 | 3 | 2 |
| Hong Kong | 4 | 1 | 3 | 2 |

| Super Sixes | P | W | L | Pts |
|---|---|---|---|---|
| Windies | 5 | 4 | 1 | 8 |
| Afghanistan | 5 | 3 | 2 | 6 |
| Zimbabwe | 5 | 2 | 2 | 5 |
| Scotland | 5 | 2 | 2 | 5 |
| Ireland | 5 | 2 | 3 | 4 |
| United Arab Emirates | 5 | 1 | 4 | 2 |

# এফ সি লম্লাই ত্রোফি এফয়ুএম এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২৫ঃ

এফ সি লম্লাইনা শিল্লগা লম্লাই ষ্টুদেন্ট আইদিয়েল ক্লবনা পুথোক্তুনা টিম ২০না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা লম্লাই ষ্টুদেন্ট আইদিয়েল ক্লবকী শান্নবুংদা চথরিবা এফ সি লম্লাই ত্রোফি, ২শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিল্লেজ ৱাইস ৱিথ ইনভাইটিস ওফ ওদর কেন্দ্র মেন্স ওপন সেভেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এফয়ুএম এফসি সেক্তানা ৱাইএলসি খুন্দ্রাকপমবু গোল ৮–১ অমদি অনীশুবা মেচটতা এলএসআইসি (এ) লম্লাইনা ৱাইদিসিএল পুংদোংবমবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচা এফয়ুএম এফসি সেক্তানা ৱাইএলসি খুন্দ্রকপমবু গোল ৮–১ দা মায়থিবা পীখিবনি। মায় পাক্লবা এফয়ুএম এফসি সেক্তাগী গোলশিং অদু দব্লিউ গৌবনা গোল ২, এস থোইনা গোল ২, রেনোল্ডনা গোল ২ অমদি বসন্তনা গোল ২ চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা ৱাইএলসি খুন্দ্রকপমগী অমত্তা ঙাইরিবা গোল অদু জেকনা চনখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা এলএসআইসি (এ) লম্লাইনা ৱাইদিসিএল পুংদোংবমবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মায় পাক্লবা এলএসআইসি (এ) লম্লাইগী গোলশিং অদু ই অবোচা অমদি অনোসনা গোল অমমম চনখিবনি।

# ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল , মার্চ ২৫ঃ

লিলোং চজিং য়ুঠ কম্ম্যুনটি সেন্টর কম কলচরেল ইন্সষ্টিট্যুটনা শীন্দুনা লিলোং কোনুং লম্পাক্তা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এনৱাইভিদি নাওরেমনা এসদিসি শমুরৌবু পোইন্ট ৩–০ (২৫–১৫, ২৫–২১, ২৫–১৩) দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুব মেটচতা এমপিএসসি মণিপুর পুলিসনা বিএকেঐচই সনাকৈথেলবু পোইন্ট ৩–১ (২৫–১৭, ২৫–২৩, ২৭–২৯, ২৫–১৪) দা মায়থিবা পীখ্রে।

# ফার্ষ্ট কৈরাও কেন্দ্র ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল , মার্চ ২৫ঃ

কৈরাও লোকেল বেদমিন্টন এসোসিয়েসন (খনারোক) না শীন্দুনা ইন্দোর হোল, খনারোক্তা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট কৈরাও কেন্দ্র ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেন্স দবল ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা মেটচতা গোবিন অমদি চিতরঞ্জননা গোজেন অমদি মাইগৌবু অহানবা গেম ২১–১৬ অমদি অনীশুবা গেম ২১–১৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা মেটচতা বিমোল অমদি ইবোমচানা জয়েন্ত অমদি নেত্রজিৎবু অহানবা গেম ২১–১৭, অনীশুবা গেম ১৪–২১ অমদি অহুমশুবা গেম ২১–১৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহুমশুবা মেটচতা কিষন অমদি তোলেম্বীনা বিজয় অমদি জিতেন্দ্রবু অহানবা গেম ২১–১৪ অমদি অনীশুবা গেম ২১–১৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইনাও অমদি অনন্দনা ইবোমচা অমদি বিশ্বজিৎপু অহানবা গেম ২১–১৪ অমদি অনীশুবা গেম ২১–১৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*